*ব্রেস্তফিদিং প্রোমোসন নেতৱার্ক ওভ ইন্দিয়া (বিপিএনআই)*

# মমাগী খোম পীথকপা অমদি মপং ওইবা চীনজাক পীজবগী মতাংদা লমজিং ৱারোল

*অইবা চেরোল অসি বিপিএনআইগী হৌজিক চংথদুনা লৈরিবা হৌজিক পাংথোক্লবা হোৎনদুনা লৈরিবা থৌরাং থৌসিল অমগী মখাদা মীয়ামদা, অখন্ননা নুপীসিংদা, হেন্না অমুক হৌকচিন্না মমাসিংদা অমদি খোমজিংলিবী মমাসিংদা চপ চানা চুন্নবা পাউ পীদুনা খঙহন্দুনা, মপোক থা সুদ্রিবা অঙাঙসিং অমসুং মপোক থা হেল্লবা চহী নৌরিবা অঙাঙসিংদা অফবা চুনবা চীনজাক পীজ-পীথক্লবা লোয়ননা অঙাঙসিংসিবু মসা-মউ ফনা চীনজাক্কী অৱাংপা লৈহন্দনা থম্নবা, চীনজাক্কী পীজ-পীথক্লবগী হীরমদা অফবা চংনবী অমা লৈনবা পান্দমদু ফংনবনি। অইবা চেরোল অসিনা হকসেল অমদি চীনজাক্কী মরমদা অখণ্ড-অহৈ, মীয়ামগী য়াইফনবা লৈবা লন্নাই লুপসিং অমদি অতৈ মরী লৈনবসিংদসু পাউ খঙহন্নবা পান্দম থমদুনা, মখোয়দগী মমাসিংদা পাউসি য়ৌহন্নবা পান্দমসু থন্নী।*

মমাগী খোম পীথকপা হায়বসি অঙাঙ অমনা থা ৬ সুদ্রিফাওবা মমাগী খোমতমক পীথকপা অমসুং থা ৬ সুরবগী মতুংদা থা ৬ তগী হেন্না সাংথনা চহী ২ নৎত্রগা হেন্না সাংথনা খোম পীথকপবুনি। মমাগী খোম পীথকপা হায়বসি অপিকপা নৌরিবা অঙাঙ অমগী খ্বাইদগী ফবা পীথকপগী মওংনি। মমাগী খোম পীথকপনা অঙাঙদুগী চপ চাবা চুনবা চীনজাক পীবা ঙমদুনা, মহিক্তগী ঙাকথোক্লুনা, ৱাখল অমসুং পুক্নিংগী অপেনবা পোকহন্দুনা মতিক ময়াই হেনবা পুন্সি অমা ওইহল্লকই। খোম পীথকপনা মমা মচাগী মরক্তা অফবা মরী লৈনহনবদা অমদি অঙাঙ অনীগী মরক্তা নাওরোল লাওহনবদা মতেং পাংই। মচাবু খোম পীথকপনা মমাদা ঈ ৱাৎপগী লায়না অমদি খোম অমদি ওভেরি (অঙাঙ ওইনবা মরূম/ওভম/ এগ সেমফম) গী কেন্সর হন্থহন্নবদা মতেং পাংই।

## ১। খোম পীথকপা হৌবা

অঙাঙ অমা হেক পোকপগা তৈথোক্লুনা কংহনগদবনি অমদি খুদক্তা থুনা পোকপা মতুং পুঙখায় অমগী মনুংদা মমাগী মনাক্তা পুসিনবীগদবনি। অঙাঙদু মমাগা উনসা উনসা হকথেংননা থন্নীগদবনি। অমদি পোকপা মতুং পুঙখায় অমগী মনুংদা মমাগী খোম পীথকপা হৌবীগদবনি। অতৈ অতোপ্পা অমতা খুদম ওইনা ইরুজবনচিংবা তৌদ্রিঙৈদা খোম হান্না পীথকপা হৌবীগদবনি। ইরুজবদগী অঙাঙগী মৈসা মাঙহনবা অমদি মসিদগী অঙাঙদু ইংহনবদগী কন্নবা ঙন্না খোল্লাং পীথকপা হৌবসি মরু ওই।

- অঙাঙ অমসি পোকপা মতুং অহানবা মিনিত ৩০দগী ৬০ ফাওবগী মনুংদা খ্বাইদগী মমিৎ-মনা সিংই অমদি মসাদু খিঙৈ,
- মমাদগী খোমজিংবসি পোকপা মতমদা য়াম্না কল্লি,
- মসিনা মমাগী খোল্লাংতমক পীথকপদা মায় পাকপা হেলহল্লি,
- মসিনা মমা অমদি মচা অনীগী মরক্তা পুক্নিংগী লীপুল হেলহল্লি,
- মমা অমদি মচা অনীগী মরক্তা নুংসিনবগী লীচিং ফহনবদা মতেং পাংই,
- অঙাঙ উন্নরবা মতুংদা ঈ হাথবা থিংই, অমসুং
- অহানবগী খোম, হম্নিগী খোল্লাং *(কোলোস্ত্রম)*, নংলপ তৌবা নাপু হাইরপ চঙবদু অহানবা চীনজাক ওইনা সোয়দনা পীথকপা ঙমহল্লি, অমদি মসিনা মহিক্তগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংই (অঙাঙ অমগী অহানবা তিকা ওই)।

## ২। অহানবা থা ৬ ফাওবা মমাগী খোল্লাংতমক পীথকপা (এক্সক্লুসিভ ব্রেস্তফিদিং তৌবা)

মমাগী খোল্লাংতমক পীথকপা হায়বসি মচাদুনা সুপ্নগী মমাগী খোল্লাংতমক পীথকপনি অমসুং তৌদবা য়াদবা অনঙবা ভিতামিন/মিনরেল দ্রোপ্স নৎত্রগা মহি অমসুং হিদাক নত্তনা অতৈ মহি-মনাই, ঈসিং নৎত্রগা অতৈ চীনজাক অমফাওবা পীথক্তবা হায়বনি।

Celebrating 10 years of protection, promotion and support of breastfeeding

অঙাঙ অমা অহানবা থা ৬ তা সুপ্নতগী মমাগী খোল্লাংতমক পীথক্কদবনি মরমদি ঃ

- য়াম্না অসাবা ঈসিং-নুংসিংকী মতম ফাওবদা ঈসিং ফাওবা পীথকপগী মথৌ তাদে অমদি ঈসিং পীথক্লবদি অঙাঙদু মমাদগী খোমজিংনিংদে, লোয়ননা মহিক চঙলকপগী খুদোংথিনিংঙাই লন্নী ওই,
- অতৈ অতোপ্পা অহেনবা চীনজাক পীজ-পীথকপনা মায় পাক্লা খোল্লাং পীথকপা হন্থহল্লি,
- মহৌসানা মমাগী খোল্লাংখক্তমক পীথকপনা থা ৬ ফাওবা অঙাঙনা চপ চানা চাউবা ঙম্মী,
- অঙাঙদা মহিক চঙদুনা নাবা, হারা তৌবা, পল্লদবা (এল্লর্জি) অমসুং খুৎহিং নাহনবা হন্থে,
- অঙাঙ অনীগী মরক্তা নাওরোল লাওহনবদা মতেং পাংই। ফিভম অহুম নিংথিনা ঙাকপদা চাদা ৯৮ গী চাংদা মীরোনবদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী ঃ মমাগী খোমদমক পীথকপা, অঙাঙদু থা ৬ সুদ্রিফাওবা, মমাগী থাগী খোঙকাপ লাকত্রিফাওবা (মসি খোম পীথকপনা থাগী খোঙকাপ থেঙথহন্দুনা মহৌসাগী ওইবা য়াইফ-য়ুম্বালগী পাম্বৈনি), অমসুং

✪ মসিনা মমাগী খোম অমদি ওভেরিগী কেন্সর অমদি ঈ হ্রাৎপগী খুদোংথিবা হন্থহল্লি।

৩। মমাগী খোম পীথকত্রিঙৈদা পীজ-পীথকপা অমদি খোমচুপ মচিল/খুৎচুপ চুপহনবা (প্রিলেক্তিএল অমসুং পেসিফাইঅর)

প্রিলেক্তিএল অমসুং পেসিফাইঅর অঙাঙদা পীরোইদৌবনি, মরমদি ঃ

✪ চিনি তুমহল্লবা ঈসিং, দেক্সট্রোজ এমপুল, খোইহি, ঈসিং নৎত্রগা বতর অসিনচিংবা মমাগী খোম পীথকত্রিঙৈদা পীথকপনা অঙাঙদু নাহল্লি অমদি অঙাঙদুদা খোম থক্লিংবা হ্রাৎহনবদগী মায় পাক্লা খোম পীথকপদা অপনবা পী, অমসুং

✪ রবরগী খোমচুপ মচিন্দা চুপ্পা-চিংবা অমদি খোমজিংবা অনীসি মওং খেন্নবনা অঙাঙদুদা চমন্নহন্দুনা নিপল কনফ্যুজন তৌহন্দুনা মায় পাক্লা খোল্লাং পীথকপদা পেসিফাইঅর চুপহনবনা অপনবা পী।

৪। ফিবম চুম্না খোম পীথকপা

**হকচাংগী ফিবম ঃ-** মমাদুনা অঙাঙদুগা মিৎ চাননা হিপ্পগা নৎত্রগা ফন্নগা মমাদুগী নুংঙাইগদবা মওং অমদা অঙাঙদু খোম পীথক্কদবনি। অফবা (অচুম্বা) অমদি ফত্তবা (অসোয়বা) ফিবমদা খোম পীথকপা অয়েকপা লাই (ক) অমসুং (খ) দা উৎলি।

**খোমজিংবগী ফিবম ঃ-** মপুং ফানা মমাদগী মচাদা খোম চেন্থরক্কবা অঙাঙদু অফবা (অচুম্বা) ফিবমদা পীথক্কদবনি। অচুম্বা/অফবা খোমজিংবগী ফিবমদা পীথকপা হায়বসিদা য়াওরিবসি ঃ অঙাঙগী খদাংদু মমাগী খোমগা নক্কনা থেংননা লৈ, অঙাঙগী ময়া লাওনা কাথোকই, খোমজিনগী অকোইবদা লৈরিবা অমুবা সরুক (এরিওলা) অয়াম্বা অঙাঙগী য়ানুংদা লৈ অমসুং অঙাঙদুনা চিংবা মতমদা খোমজিন্দা অনাবা ফাওরোই। অফবা (অচুম্বা) অমদি ফত্তবা (অসোয়বা) ফিবমদা খোমজিংবা অয়েকপা লাই (গ) অমদি (ঘ) দা উৎলি।

অফবা ফিবমদা খোমজিংবনা মতেং

## হকচাংগী ফিবম



**লাই (ক)ঃ ফিবম চুম্না খোম পীথকপা**

মমানা মায়গা মায়গা ওনসিন্নরা য়েং সিনবীবা

✪ অঙাঙগী কোক অমদি ঙক পরিং অমতদা লৈ নৎত্রগা ঙক খজিক্তং তুংলোমদা থেক্তোকই।

✪ অঙাঙগী মসাদু মমারোমদা ওনসিল্লি।

✪ অঙাঙগী মসাদু মমাদা নপসিন্নদুনা মমাগী খোমদা মায়োক্কনা লৈ।

✪ অঙাঙগী মসা পুম্বা মমানা ঙাক্লো পী।

✪ মমা মচা মিৎ চান্ননা লৈ।



**লাই (খ)ঃ ফিবম সোয়না খোম পীথকপা**

✪ মমা মচা মিৎ চান্নদে

✪ অঙাঙগী কোক অমদি ঙক পরিং অমদা লৈতে।


✪ অঙাঙগী মসা মমাদগী লৈথোকই।

✪ অঙাঙগী মসা মমাদগী থাপ্তোক্লা লৈ।

✪ অঙাঙগী মসাদু ঙাক্লো পীদে পমখৎপীদে।

✪ মমা অমদি মচা অনীমক্কী মিৎ চান্নদে।

## খোমজিংবগী মওং




**লাই (গ)ঃ অচুম্বা/অফবা খোমজিংবগী মওং**

✪ অঙাঙগী খদাং খোমদা পক্কনা লৈ।

✪ অঙাঙগী ময়া লাউনা কাথোকই অমদি মখা থৎবা চিনবাল পেথোকই।

✪ খোমজিনগী অকোয়বদা লৈরিবা অমুবা (এরিওলা) অঙাঙগী চিনবালগী মথক্তনা মখাদগী হেন্না লৈবা উই।

✪ খোম পীথক্লিঙৈদা খোমজিন্দা অনাবা অমত্তা ফাওদে।



**লাই (ঘ)ঃ অরানবা/অসোয়বা খোমজিংবগী মওং**

✪ অঙাঙনা খোমজিন্দতা চিংই।

✪ য়া লাউনা কাথোক্তে, অমসুং এরিওলাগী অয়াম্বা সরুক অমদি মসিগী মখাদা লৈবা লেক্তিফেরস্ সাইনস্ (খোমগী তুংফম খাউ) সিং য়াগী মপান্দা লৈ।

✪ খদাং মমাগী খোমদগী থাপ্তোকই।

✪ ফিবমসিদা থক্লবদি মমাগী খোমজিন্দা অনাবা ফাওই।

পাংলিবসি

- খোমজিন চাথৎপা অমদি খোমদা পোম্না হন্থনবা, অমসুং
- মপুং ফানা চাং মতিক চানা অঙাঙদুদা খোম পীথকপা ঙমহনবনি।

**৫। কুইথনা খোম পীথকপা অমদি অঙাঙনা পাল্লিবমখৈ পীথকপা**

নোংমদা মসিং য়াম্না (পুঙ ২৪ গী মনুংদা ৮ দগী ১০ রক নৎত্রগা হেন্না) খোম নাকল অনীমক্তগী অঙাঙদুনা পাল্লিবমখৈ পীথক্লদবনি। মহৌসানা খোমসি মথং পীথরু বগীদমক মমাঙদা পীথকখিবগী মতুং পুঙ অমমখায়দা খৌরাং তৌদুনা লৈ, মরম অদুনা অঙাঙনা পাল্লিবমখৈ পীথকপসি পুঙ ২ য়ৌদনা কান্ননা পীথকপা য়াই। অঙাঙ খরদি কয়া তোয়না থক্লিংদে, অঙাঙ খরনা তোয়না থক্লিংই অমসুং তোয়না থক্লিংদবা অঙাঙসিংবু তোয়না পীথক্ল বা হোৎনগদবনি, অদুবু নমদুনা পীথকপদি তৌরোইদৌবনি। অঙাঙ ফাইবোক পোকপা মমা অমনা খোম পীথকপথক্তনা মতিক চানা খোম পীবা ঙম্মী। মমানা তোয়না অমদি অঙাঙনা পাল্লিবমখৈ, নুমিদাং য়াওনা পীথক্লদবনি, মরমদি ঃ

- মমা অমনা হেন্না পীথল্লিবমখৈ হেন্না খোম থোকই,
- মরু ওইনা নুমিদাং পীথকপনা খোম সুংনবা হোরমোন (প্রোলেক্তিন) নুমিদাংদা হেন্না থোরকপনা খোম হেন্না থোকহনবদা মতেং পাংই অমদি প্রোলেক্তিন্না মমাগী পুক্লিং পোথাহনবদা মতেং পাংই।

**৬। অহেনবা চীনজাক পীজবা হৌবা (কমপ্লিমেন্তরি ফিদিং) ঃ**

অহেনবা চীনজাক (কমপ্লিমেন্তরি ফুদ) হায়বসি চীনজাক অমা হেক্তা, মেচিন্না সুংবা নৎত্রগা য়ুমদা সেম্বা ওইবা য়াই, মমাগী খোম খক্তনা থা ৬ কী মতুংদা অঙাঙদুগী চঙগদবা চীনজাক অমদি মচি মপুং ফানা পীবা ঙম্লক্ত্রবা কান্দা মমাগী খোমগী মথক্তা হাপচিল্লকপা পীজগদবা চীনজাক্তুনি।

**৬ (ক)। অহেনবা চীনজাক পীজবা হৌবা**

অঙাঙ অমনা থা ৬ সুবদগী মমাগী খোমগী মথক্তা মতম চানা অহেনবা চীনজাক পীজবসি তৌদবা য়াদে, মরমদি ঃ

- থা ৬ কী মমাঙদা মপং পীজবা হৌবনা অঙাঙদুগী ৱাখল অমদি হকচাংগী চাউখৎলকপদা মতেং পাংদে, খোমগী মহুৎ সিনখিবতনি,
- থা ৬ কী মমাঙদা মপং পীজবা হৌবদগী অঙাঙদা নারকহন্নিংঙাই ওই, মরু ওইনা খোঙ হান্থগী লায়না সরুক ৩ দগী ১৩ ফাওবা হেল্লি, অমসুং,
- থেঙনা মপং পীজবা হৌবনা অঙাঙদুগী চঙগদবা মচি ওইবা পাঙ্গল পীবা চীনজাক ৱাৎহনবদগী অঙাঙদু চাউদম থী।

**৬ (খ)।মপং কয়াম তোয়না পীজগদগে**

অঙাঙদুনা থা ৬ তগী ৯ ফাওবগী চহী মতাংদা নোংমদা ২ দগী ৩ লক, থা ৯ দগী ১২গী চহী মতাংদা নোংমদা ৩ দগী ৫ রক মপং পীজগনি।

**৬(গ)। মপং করম্না পীজগনি**

মমানা চামচ অমসুং তেংকোৎ/কপ সিজিন্নদুনা পীজগনি। অঙাঙদুনা মসাগী চহী থা ১০ দগী ১২ সুরকপকানদা মসা মতোমতনা চামচ পায়জহন্দুনা চাহনবা য়াই।

**৭। চপ চাবা মপং ওইবা চীনজাক**

থা ৬ অমদি মথক্কী অঙাঙদা মচি চাং চানা য়াওবা, লু-নান্না মহিক-মতাই চেলহন্দনা সেম্বা অমদি য়ুমদা খুদক্তা থোংবা সেম্বা চীনজাক চাংনা চানা মতিক চানা পীজগদবনি, মরমদি ঃ

- অঙাঙসিংনা য়ুমদা ইমুংদুগী চানরিবা পোৎচঙদগী থোংবা-সেম্বা চীনজাক্লা হেন্না হৈনৈ, অমসুং
- মরু-মরাং হৱাই-চেঙৱাইদগী পানা থোংবা সেম্বা চীনজাকসিং (খুদম ওইনা হৱাই মহি) মচি ওইবা ৱাৎলি অমদি পাঙ্গল ৱাৎনা পী। পীজবা হৌরকপা মতমদা অপেৎপা মপং ওইবা চীনজাক অমুক অনীরক পীজগনি অমসুং তপ্পা তপ্পা পীজবগী মসিঙ হেনগৎলক্কনি।

অপেৎপা মপং ওইবা অঙাঙদা পীজগদৌরিবা চীনজাকসি লায়না তুম্বা ঙমগদবা অমসুং মচি ওইবা অমদি পাঙ্গল পীবগী চাং ৱাংনা য়াওবা ওইগদবনি। মচি ওইবা চীনজাকসিং খুদম ওইনা সঙ্গোমগা তোৎসিন্নরবা সুজি, খের, খেচরি, চাক অসিগুম্বা মচি ওইবা চীনজাক পীজগদবনি। য়ামখৎলকপগী চাং মপং ওইসিল্লকপগী চাং তপ্পা তপ্পা হেনগৎলক্কদবনি। চেঙ-চাক্তা থাও, হৱাই-চেঙৱাই, সা-ঙা, য়েরুম হাপচিনবা অমসুং চেঙ-চাক্তা সঙ্গোম তোৎসিনবনা সঙ্গোম মতোমতদগী হেন্না পাঙ্গল পীবা হেল্লি। মনা-মসিং অমসুং উহৈ-ৱাহৈনা সঙ্গোমগা মান্ননা নৎত্রগা সঙ্গোমদগী তাথনা পাঙ্গল পী।

অপেৎপা মপং পীজবা হৌরকপা মতমদা মমাদগী সুমদোল্লবা খোল্লাং য়ুমদা থোংবা সেম্বা অপেৎপা মপংগা তোৎসিল্লবদি মচি ওইবগী চাং পীবা হেল্লি অমদি অঙাঙদুনা মহাওদু পাম্বা হৈনবা হেল্লি।

অঙাঙগী ময়াদা চীনজাক নমদুনা ইনসিনবা তৌবীরোইদৌবনি, অদুবু অঙাঙদু মসানা মাসু সরুক য়াদুনা চানহনবীগদবনি। মমানা অঙাঙদুনা মসানা চাজনবা পুক্লিং থৌগৎপা অমদি মতেং পাংবা চঙই। মসিনা মখুৎ মসাগী হৈ-সিংবা অমদি সায়বা খোৎপদা হৈ-সিংবা হেনহনবদা মতেং পাংই। মমা মপা/অঙাঙ সেন্নরিবা মীওইসিংনা অঙাঙদুগা অওক-অথোম তৌনদুনা অমদি অঙাঙদুদা অনৌবা ৱাখল্লোন অমদি ৱাহৈ চারিঙৈদা হায়হৌবনা অঙাঙদুগী পুক্লিং ফজনা চাউখৎলকপদা মতেং পাংই।

**৮। মখা সাংথনা কুইথনা খোম পীথকপা ঃ**

চানবা চুনবা মপং পীজবগা লোয়ননা চহী ২ নৎত্রগা ২ দগী হেন্না চাউরবা ফাওবদা খোম পীথক্লদবনি, মরমদি মসিনা ঃ

- পাঙ্গল পীবা চীনজাক চাবা হেলহল্লি,
- চাউদম থীবা য়াবগী খুদোংথীবদু হন্থহল্লি অমদি মহিক চঙলক্তুনা নাহন্নিংঙাই ওইহনবদু হন্থৈ, অমসুং
- মমা মচাগী পুক্লিংগী নুংসিনবগী লীপুল হেনগৎহনবদা মতেং পাংই।

**৯। মমানা য়ুমদগী চৎথোক্তুনা থবক সুবা চৎলবদি**

মমাদুনা য়ুমদগী থাপতোক্তুনা থবক সুবা চৎলবসু মথক্তা পনথ্রিবা খ্বাইদগী ফবসিংসি তৌবা য়াই, অদুমওইনমক মখাগীসিংসি চঙইঃ

- ✪ ইমুং-মনুং অমদি কৈরোই লৈকাইনা মপুং ফানা সৌগৎপীরবদি, অমসুং
- ✪ অঙাঙ উন্নবগী সুতি (মেতর্নিতি লিভ) মতিক চানা সাংনা পীরবা, থবক সুফমদা খোম পীথকপগী খুদোংচাবা অহাংবা মতম মফম পীরবা (খোম পীথকপগী অমসুং/ নৎত্রগা খোম সুমদোকপগী) অমসুং মনাক অনকপদা অঙাঙ সেন্নফমগী খুদোংচাবা থম্লবদি।

মমানা চৎথোকপা মতমদা মমানা অঙাঙদুগা লৈমিন্নদবা মতমদা খোম সুমদোক্লবা অমসুং মাগা লৈমিন্নবা মতমদা খোম তোয়না পীথক্লবা মরু ওইনা নুমিদাংদা খোম লেপ্তুনা পীথক্লবদি মমাগী থবক্তা মচা খোম পীথকপগা অনীসি পুন্না চৎমিন্নবা য়াই।

**মমানা সুতি লোইদুনা থবক কারবকান্দা ঃ**

মমাদুনা থবক কাম্রিঙৈদা অমদি থবক হল্লকপা মতুংদা অমদি নুমিদাংদা মচাবু খোম পীথক্কদবনি। **মমানা থবক কারিঙৈদা মখাগীসিংসিদগী অমা খনবা য়াইঃ**

(ক) মমাদুনা খোম চাং নাইনা কান্ননা খোম সুমদোকপীগদবনি অমদি লু-নানবা পাত্র অমদা থম্লমদুনা য়ুমদা অঙাঙ সেন্নহৌরিবদুনা পীথকহৌবা য়াই। ইমুংগী অকোইবগী অইং-অসাদা পুঙ ৮ অমদি রেফ্রিজেরেতরদা পুঙ ২৪ থম্বদা খোল্লাংদা অকায়বা থোকহন্দে। মমানা সুমদোক্লগা থম্লম্বা খোম অদু অঙাঙ সেন্নহৌরিবদুনা নিপল কনফ্যুজন থোক্তনবা কপ অমসুং চামচকী মতেংনা পীথকহৌগনি।

(খ) থবক সুফমদু য়ুমগা নক্লরবদি খোম পীথক্ল বা মতম কাইথোকপা / অহাংবা মতম পীবা মতমদা মচাদু খোম পীথক্কনি।

(গ) থবক সুফমদা অঙাঙ থম্ফম ক্রেচ নৎত্রগা অঙাঙ সেন্নফমগী খুদোংচাবা লৈরবদি অঙাঙদু পুরক্তুনা থমগনি অমদি খোম পীথক্লবগী থবক থারকপা মতমদুদা খোম পীথক্কনি।

(ঘ) মথক্কী পনথ্রিবসিংসি অমতং ওইথোকপা য়াদ্রবদি খোম নিংথিজনা থোক্তুনা লৈনবা অমদি খোমদা হৌবা থিংনবা মমাদুনা খোমদু সুমদোক্কনি অমদি হন্দোকখিগনি।

**১০। মমা নৎত্রগা মচা মসা ঙমদ্রবদি**

মহৌসানা নাগনবা লায়নাসিং মমাদা নারক্লবদি খোম পীথকপা লেপ্লোইদৌবনি। অঙাঙদুনা খোঙ হাম্লবদি খোম পীথকপা য়াম্লা কান্নে। মমাদু নারবা ফাওবদা দাক্তরনা তোক্লবা হায়দ্রবদি অঙাংদুদা করিসু অকায়বা লৈতনা খোম পীথকপা য়াই।

মমানা সিজিন্নবা তাবা হিদাক অয়াম্বনা খোম পীথকপদা অসোয়-অঙাম য়াওদে।

পোকপদা থাসিং সুদবা অমদি পোকপদা য়াম্লা পীকপা অঙাঙসিংগীদি মমাগী খোম অসি য়াম্লা কৈ। খোম চিংবা ঙমদবা অঙাঙগীদি খোম সুমদোক্লগা কপ সিজিন্নদুনা অঙাঙদুদা পীথক্কদবনি।

**১১। অখন্নবা ফিবমসিংদা**

মমাদু সিথ্রবা নৎত্রগা অঙাঙদু অয়োকপা ওইরবদি অঙাঙ সেন্নগদৌরিবা মীদুনা করম্লা পীথক্কদগে হায়বা দাক্তরগা তান্নবিগদবনি।

*ব্রারোইসিন ওইনা, অহানবা থা ৬ মমাগী খোমতমক পীথকপা, চহী ২ নৎত্রগা হেন্না চাউরবা ফাওবা সাংথনা খোম পীথকপা অমসুং অহেনবা মপংগী সরুক থা ৬ কী মতুংদা পীজবা হৌবসি খ্বাইদগী ফবা মওংদা অঙাঙদা পীজ-পীথকপগী থৌদৌনি হায়না বিপিএনআইনা মসিবু পাঙথোকপীনবা মীয়ামদা পাউজেল্লি।*

---

***These guidelines take into consideration, the recommendations of World Health Organisation (WHO), and of World Health Assembly (WHA) Resolution 54.2 (May 18,2001), and the support to this recommendation by the Department of Women and Child Development (DWCD), and Ministry of Health & Family Welfare (MOHFW), Government of India, United Nations Children's Fund (UNICEF), Association for Consumer Action on Safety and Health (ACASH), Indian Academy of Pediatrics (IAP), Federation of Obstetrics & Gynaecological Societies of India (FOGSI), National Neonatology Forum (NNF), Trained Nurses Association of India (TNAI), CARE-India, LINKAGES, International Baby Food Action Network (IBFAN), World Alliance for Breastfeeding Action (WABA), and American Academy of Pediatrics.***

---

This document has been produced as an activity of the BPNI-IBFAN South Asia's Resource Centre on Infant & Young Child Feeding under the IBFAN-GIFA Project WW 033 207, 2000-2002. ``Strengthening breastfeeding activities at grassroot level'' with the support from Dutch Ministry of Cooperation and Development (DGIS).

For more information, Please contact :
Breastfeeding Promotion Network of India (BPNI)/IBFAN South Asia
BP-33, Pitampura, Delhi 110 088 (INDIA)
Tel: +91-11-7443445, Tel/Fax:+91-11-7219606
Email: bpni@bpni.org.
Website : http://www.bpni.org.

**BPNI,** Manipur State Branch,
Lilong Chajing, Pukhri Achouba Mapal,
Imphal West, Manipur, Pin 795 130.
Phone : 0385 - 432069,
E-mail:- bpnimani@neline.con.

***BPNI** -2001/Document 4 (August)*

দাঃ স্যামকুমার লাইস্রম, সেক্রেতরি, বিপিএনআই, মনিপুর স্তেত ব্রান্‌চনা বিপিএনআইগীদমক মনিপুরী লোন্দা(মীতৈলোন্দা) হন্দোকপা অমদি পুথোকপা।